**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ হয়েং উখ্রুল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগনি।

২) ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা চেন্নবশিং সরকারনা মশক খঙদোক্তুনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখ্রে।

৩) পোলো মশান্নগী মরুওইবা অমদি মসিনা পীবা য়াবা কান্নবশিংগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা দোনর মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

৪) রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী মফমশিংদা মোবাইল ইন্তরনেট সার্ভিসকী অথিংবা মখা তানা নুমিৎ নিনি শাংদোকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক থৌশিল থৌরাংশিং পায়খৎপদা নুপীগী মীহুৎশিং য়াওহনবা য়ামা তঙাইফদে।

------

মুখ্য মন্ত্রি (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ হয়েং উখ্রুল জিলাদা চত্তুনা মফম অদুদা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং য়েংশিনগনি।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা হায়- উখ্রুল জিলাগী মীয়ামা মুখ্য মন্ত্রিবু তরামা ওকনবা শেম শাবা লোইরে। মুখ্য মন্ত্রিনা মফম অদুদা হেক থুংলবগা উখ্রুল মিনি সেক্রেতরিয়েটতা চত্তুনা জিলা অসিদা লৈরিবা তোঙান

তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। তুংদা, উখ্রুল টাউনদা শেমগৎলিবা রিজিদ পেবমেন্টকী থবক য়েংশিনগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা শিরুই ভিলেজদা চত্তুনা শিরুই হেরিতেজ প্রোজেক্ট শঙ্গাগনি। লোয়ননা শিরুই ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা শেম শারিবশিং অদুসু য়েংশিনগনি।

মুখ্য মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে।

ত্রোংলাউবী (এল)ঃ ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী জে.এ.সিগী মীহুৎ কাংবু অমগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ঙসি মহাক্কী বঙ্গলোদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমসু শরুক য়াখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী খেমচান্দনা হায়- ত্রোংলাউবীগী লাইবক থীবা থৌদোকা অৱাবা নংহল্লবা ইমুং মনুংগীদমক সরকার অসিনা চপ চানা লেপি। থৌদোক অসিগী মতাংদা সরকারনা য়ামা লুমা লৌবগা লোয়ননা অকনবা মওংদা থিজিনবগী থবক হৌজিক চথরি। অথুবা মতমদা অৱাবা নংলবা ইমুংদা সরকারনা অচুম্বা ৱায়েল ফংহন্নবা হোৎনরি। থৌদোক্তুদা চেন্নবশিং হেক মশক খঙদোকপগা মখোয়গী মথক্তা আইনগী ওইবা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি।

সিএম (এল)ঃ মণিপুরদগী হৌদোকখিবা পোলো মশান্নগী মরুওইবা অমদি মসিনা পীবা য়াবা কান্নবশিংগী মতাংদা রাজ্য সরকারনা দোনর মন্ত্রালয়গী ওফিসিয়েলশিংগা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতগী তুরিজম মন্ত্রি কে.ঐচ. লোকেনগা লোয়ননা ভারচুয়েলগী খুত্থাংদা শরুক য়াখি।

চীফ সেক্রেতরি য়াওনা রাজ্যগী তুরিজম বিভাগকী ওফিসিয়েলশিংসু মীফম অদুদা শরুক য়াখি। মীফম অদুনা পোলো মশান্ননা রাজ্য অসিদা লম কোয়বা কয়াগী পুকিং চিংশিনবা য়াবগী মতাংদা কুপা খন্নখি হায়রি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুনা দোনর মন্ত্রালয়গী পুকিং চিংশিনখি। মসিনা রাজ্যগী তুরিজম বিভাগতা শেন্থুং থাদহন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাবা পীরগনি । ঙসিগী ভারচুয়েল মীফম অদুবু মায় পাকা পাঙথোকপদা মরুওইবা থৌদোং লৌখিবশিংবসু মুখ্য মন্ত্রিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

খেমচান্দ (এল)ঃ  মুখ্য মন্ত্রি যুমাম খেমচান্দনা লৈখিদ্রবা হান্নগী এম.এল.এ-ডাঃ মনিরুদিন শৈখকী লিলোংদা লৈবা যুমদা চত্তুনা অৱাবা ফোংদোকখ্রে। মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ ফাওবা ওইরমখিবা লিলোং কেন্দ্রগী এম.এল.এ-ডাঃ মনিরুদিন মীয়ামগী য়াইফনবা চোকথবা নাইদনা হোৎনরমখি মুখ্য মন্ত্রিনা শিংথাখি। রাজ্য অসিদা অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোনদা তংদু লৈতানা হিংমিন্নগদবনি হায়বা মহাক্কী অশানবা মীৎয়েং অদুবু হৌরক্লিবা মীরোলনা তমজনিঙাই ওই হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

যামিনি (এল)ঃ  মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী অহানবা চেয়ারপার্সন ওইরম্বী ডাঃ চোংথাম যামিনিনা লৈখিদবদা কম্মিসন অসিনা অৱাবা ফোংদোরক্লি।

ইন্তরনেট (এল) ঃ  বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবীদা হৌখিবা এপ্রিল ৭ তা থোকখিবা মীশি মীনাগী থৌদোক্না মরী লৈননা রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী মফমশিংদা মোবাইল ইন্তরনেটকী অথিংবা থম্লকপা অদু নুমিৎ নিনি অমগা শাংদোকখ্রে। তম্পাক্কী জিলা জিলা মঙা- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর অমসুং ককচিংদা অথিংবা অসি থমদুনা লাকখিবনি।

সম্বাদ (এল)ঃ      ভিক্সিত ভারত গ্রামিন য়োজনা রোজগার আজিবিকা মিসন গ্রামিন (ভি.ভি.জি.রাম-জি)গী মতাংদা পাব্লিক আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি সেনাপতি জিলাগী মিনি সেক্রেতরিয়েট মল্টিপরপজ হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ব্রা ঙাংবদা দি.আর.দি.এ সেনাপতিগী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর- পি.পি. রোনাল্ডনা হায়- অনৌবা ভি.ভি.জি রাম জি স্কিম অসিনা তুং কোইনা মীয়ামগী কান্নহৌগদবা চাওখৎ থৌরাংশিং পায়খৎপা, এ.আই শিজিন্নদুনা দিজিতেল মোনিতরিং সিষ্টেমগী খুত্থাংদা স্কিম অসিগী মখাদা মনুং মপান ফাওনা নিংথিনা থবক পায়খৎনবা হোৎনবা, খুঙ্গংগী মীয়ামগী পুন্সি মহিং হেন্না ফগৎহন্নবগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লি। হান্না লৈরম্বা এম.জি.এন.আর.ই.জি.এসকী মখাদা চহি অমদা খুঙ্গংগী মীয়ামদা নুমিৎ ১০০ নি থবক পীরম্বা অদু অনৌবা স্কিম অসিগী মখাদদি নুমিৎ ১২৫ নিদা হেনগৎলে।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিয়েলশিং অমসুং ভিলেজ ওথোরিতিগী মেম্বরশিং শরুক য়াখি।

এআর (এল)ঃ এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী লুপ অমা ওইরিবা অখিল ভারতিয়া পুর্বা সৈনিক সেবা পরিষদকী মীওই ১৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমনা মোইরাংদা লৈবা ইন্দিয়ান নেসনেল আর্মি (আই.এন.এ)দা লাক্কুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- মীহুৎ কাংবু অসি নুমিৎ মরিনিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ১৩ দা মণিপুরদা থুংলখিবনি। মখোয়না ইম্ফালদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির, ঐতিহাসিক ওইরবা কংলা, অমসুং ইম্ফাল পিছ ম্যুজিয়মনচিংবা মফমশিংদসু চত্তুনা য়েংখি। মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

ৱাকৎ (এল) ঃ ত্রোংলাউবীগী থৌদোকপু য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা অচুম্বা ৱায়েল ফংহল্লু হায়না তকশিন্দুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দোলাইথাবীদগী লমলোং ফাওবদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব অমদি লুপশিংনা শিনদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা তোঙান তোঙানবা লুপশিং অমদি লৈকাই মৈরা পায়বীশিংগা পুন্দুনা ঙসিগী ৱাকৎ মীফম অদু চথবনি।

ব্লড (এল) ঃ নেসনেলিষ্ট কল্লেক্তিব মনিপুর (এন.সি.এম) না শিনদুনা ঙসি ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মীওই অমনা ঈ দান তৌবনা মীওই অহুমগী পুন্সি কনবা ঙম্মী হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা লুপ অসিগী ওইবা অহানবা ঈ দান তৌবগী কেম্প অদু জেনিমসকা খুৎশমদুনা ইন্সটিট্যুট অসিগী ব্লড বেঙ্ককা পাঙথোকপনি।

নোনে (এল)ঃ নোনে, নুঙবা ব্লোক কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা কংগ্রেস কর্ম্মিশিংগী ওইবা ব্লোক লেবেল কনফরেন্স অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা কংগ্রেস ৱার্কিং কমিতিগী মেম্বর গাইখাঙম, তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট অদাই ফাওমৈ য়াওনা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

ৱেদর (এল)ঃ লাক্লিবা নুমিৎ নিনি রোম অসিদা রাজ্য অসিগী জিলা খরদা অখাক অরাও য়াওনা নোং চুরবা য়াই। ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরদগী ফংবা পাউ মতুংইন্না তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, জিরিবাম, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোলদা হয়েং অখাক অরাউগা লোয়ননা নোং চুরবা য়াই। লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, তমেংলোং, সেনাপতি অমসুং কাংপোকপীদা নোং চুরবা য়াই।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৈবাক অসি চাওখৎপদা নারি শক্তিনা অচৌবা থৌদাং লৌরি অমসুং লৈবাক থৌশিল থৌরাংশিং পায়খৎপদা নুপীগী মীহুৎশিং য়াওহনবা য়ামা তঙাইফদে।

লোক সভাদা ঙসি নারি শক্তি বন্ধন অধিনিয়মগা মরী লৈনবা মরুওইবা বিল অহুম খন্ন-নৈনবদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- ৱারেপশিং লৌবদা লৈবাক অসিগী মীশিংগী চাদা ৫০ য়াওহনবগী তঙাইফদবা লৈ।

বিল ঃ সংসদকী লোক সভা মীফমদা ঙসি তোঙান তোঙানবা বিল অহুম পুথোকখ্রে। বিল অহুম অদুগী মনুংদা কেন্দ্রগী লো মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱালনা দ কন্সটিট্যুসন (ৱান হন্দ্রেদ এন্দ থারতি ফার্ষ্ট এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ অমদি দ দিলিমিটেসন বিল ২০২৬ পুথোকখি। গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনসু দি য়ুনিয়ন টেরিটোরিস লোস (এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ বিল পুথোকখি।

লো মন্ত্রি আর্জ্ন রাম মেঘৱালনা হায়- ঙসি পুথোক্লিবা দ কন্সটিট্যুসন (ৱান হন্দ্রেদ এন্দ থারতি ফার্ষ্ট এমেন্দমেন্ট) বিল-২০২৬ অসিনা নুপীশিংবু রাজনীতিগী লমদা অচুম্বা ৱায়েল অমা ফংহল্লগনি। মসিনা সংসদতা নুপীশিংগী সিট রিজার্ভ তৌদুনা থমদুনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা থবক থৌরমশিং খন্নবদা নুপীশিং শরুক য়াবা মশিং হেনগৎহল্লগনি। মসিগীদমক হৌজিক লৈরিবা লোক সভাগী সিট মশিং অসিদগী তঙ্খায় অমা হেনগৎতুনা সিট মশিং ৮১৫ শুহনবগী তঙাইফদবা লৈ। মদুগী মনুংদা সিট ২৭২ দি নুপীশিংগী সিট ওইগনি। মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- মীকোক থীবগী চপ চাবা মশিং ইং ২০২৭ কী মমাংদা নত্রগা ইং ২০২৮ গী হৌরকপা শরুক্তা ফংগনি হায়বা থাজদে। মরম অদ্না তেরিতোরিয়েল কন্সটিট্যুন্সিশিং শেমদোকপা অমদি সেদ্যুল কাষ্ট নত্রগা সেদ্যুল ত্রাইবশিংগী সিট পীবগী থবক ইং ২০১১ গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্কনি।

ঙসি পুথোক্লিবা বিলশিং অসিগী মতাংদা লোক সভাদা খন্নবদা কংগ্রেসকী সদস্য গৌরব গোগোইনা হায়- মহাক্কী দলনা নুপীশিংগী রিজার্ভেসনগী মতাংদা শৌগৎলি। মসি য়ামা অরাইবা মওংদা পায়খৎতুনা নুপীশিংদা অথুবা মতমদা খুদোংচাবা পীবা তঙাইফদে। অদুবু বিল অসিগা দিলিমিতেসনগা মরী লৈনহল্লোইদবনি। মহাকা হায়- রিজার্ভেসন অসি হৌজিক লৈরিবা লোক সভাগী সিট ৫৪৩ দা য়ুম্ফম ওইদুনা পাঙথোক্কদবনি। সরকার অসিনা নুপীশিংগী রিজার্ভেসনগী মতাং অসি মতম থিন্থহন্দুনা লৈরে।

রাজ্য সভা ঃরাজ্য সভাগী চেয়ারমেন সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা নৌনা অমদি অমুক হন্না খল্লবা সদস্যশিং ৱাশক লৌখ্রে। মখোয়শিং অদুগী মনুংদা- ভারতিয়া জনতা

পার্তিগী নিতিন নবিন, তেরাস গোৰালা, জোগেন মোহন, সিভেস কুমার, বিনোদ শ্রীধর তাওদে, শুজিৎ কুমার, লক্সমি ভর্মা অমদি শঞ্জয় ভাতিয়া য়াওরি।

কংগ্রেস দলগী ওইনা অভিসেক মনু সিংভি, ফোলো দেবী মেতম, করমবীর সিংহ বৌধা, অনুরাগ শর্ম্মা অমদি ভেম নরেন্দ্র রেদ্দি য়াওরি।

জে.দি.য়ুগী ওইনা রামনাথ ঠাকুর, রাষ্ট্রিয়া লোক মোর্চাগী ওইনা উপেন্দ্র কুসৱাহা অমদি য়ু.পি.পি.এলগী ওইনা প্রোমোদ বোরো ৱাশক লৌখি।

তুংদা, সভানা লৈখিদ্রবা কংগ্রেস লুচিংবা মোসিনা কিদৱাই অমদি শকাইরবী শৈশকপী আশা ভোসলেগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী সিক্কিম খোঙচৎতা থা অসিগী ২৭ তা রাজ্য অদুদা চৎকনি। শ্রী মোদিনা মহাক্কী নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎ মনুংদা লোক ভাবন অমসুং পালজোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা শরুক য়াগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা সিক্কিমদা হেক থুংলবগা লিবিং হেলিপেদতগী লোক ভাবন ফাওবা রোড সো পাঙথোক্কনি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ২৮ দা পালজোস ষ্টেদিয়মদা সিক্কিমনা মপুং ফাবা রাজ্য ওইখিবগী চহি ৫০ শুরকপগী চহি অমা চুপা পাঙথোকপা থৌরম লোয়শিনবদা শরুক য়াগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ ভারতকী চহি ১৭ মখাগী নুপাগী ফুটবোল টিম হয়েংদগী হৌদুনা থাইলেন্দদা য়ুনাইতেদ আরব ইন্মিরেটসকা ফ্রেন্দলি মেটচ শান্নবা হৌরগনি। মীওই ২৪ না শাবা ভারতকী টিম ঙরাং থাইলেন্দদা থুংখ্রে। এ.এফ.সি অন্দর সভেন্তিন এসিয়ান কপ সাউদি অরাবিয়া ২০২৬ কী শেম শাবা ওইনা মেটচশিং অসি শান্নগনি।

মথং থাগী জেদাহদা পাঙথোক্কদৌরিবা এ.এফ.সি অন্দর সভেন্তিন এসিয়ান কপতা ভারতকী টিমনা মে ৬ তা ওষ্ট্রেলিয়াগা, মে ১০ দনা উজবেকিস্তানগা অদুগা মে ১৩ দনা দি.পি.আর কোরিয়াগা থেংনগনি।

ফুটবোল ঃ কিয়ামগৈ যুথ প্রাইয়োনর ক্লব (কে.ৱাই.পি.সি) না শিনদুনা চখুরিবা অন্দর ফিফতি বোইজ ফুটবোল ট্রোফি-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ইমা এফ.সি ৱাংগোই অমসুং দি স্কৱার নোংমৈবুং পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা অৱাং জিরিনা জি.এফ.সি ক্যামগৈবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলনা শিন্দুনা ১৫ শুবা জিরি স্পোর্টস মিট ২০২৬ ঙসিদগী জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা হৌখ্রে।

চেস ঃ ভারতকী চেস গ্রান্দ মাষ্টর আর. বৈসালিনা ফিদে ৱিমেন্স কেন্দিদেটস তুরনামেন্ট ২০২৬ কী টাইটল লৌরে। সাইপ্রসতা ঙরাং বৈসালিনা মহাক্কী লম্বা রসিয়াগী কাতেরিনা লাগনোভবু ফাইনেলদা থোইদুনা টাইটল অসি লৌখিবনি।

ক্রিকেটঃ ইন্দিয়ান প্রিমিয়র লিগ ক্রিকেটতা মেটচ অমদা ঙসি মুম্বাই ইন্দিয়ান্সকা পঞ্জাব কিংসকা হৌজিক মুম্বাইগী ৱাংখরে ষ্টেদিয়মদা শান্নরি।

------